# ‘মীতৈ ঐখোয়না তৌগদবসি করিনো?’

- এল ইবোমচা -

মতম অমদা মীয়াম্না নাগা হোষ্টাইল হায়না খঙনরম্বা নাগা লালহৌবা লূপ অসি ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংবা অদুৱাইদগী লৈরকখ্রে হায়না খন্নে। অদুগা মীতৈগী লালহৌবা লূপ্না কুমজা ১৯৬০গী মতম অদুৱাইদগী ঈরাং হৌরকখ্রে হায়বা য়াই। নাগা লালহৌবা লূপ মশীং য়াম্বগুম্না মীতৈগী লালহৌবা লূপসু মশীং য়াম্না য়াম্মী। নাগা লালহৌবশিংগী পান্দম্না অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মার (বর্ম্মা) দা চোইনা চোইনা খুন্দারিবা নাগাশিং অমত্তা ওইনা পুনশিল্লগা মনীং তম্বা নাগা নেসন অমা শেমগে হায়বগীনি। অদুগা মীতৈ লালহৌবশিংগী পান্দম্না মণিপুর মনীং মখা তম্না লৈজরম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমনি, ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখিবনি অমুক হন্না নীংখা তম্না লৈজগে, ইম্ফাল ময়োলদা মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্কী এম্বেসেদর অমমম লৈহন্দুনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মচু কয়া কয়াগী ফিরাল য়মূফম মফম ওইহনগে হায়বগীনি। অদুগা কুকি লালহৌবশিংগী পান্দম্না ইন্দিয়া মনুংদা কুকিশিংতগী ওইবা কুকিলেন্দ অমা শেম্নীংবগীনি। তৌবতদি কুকিশিংগী লালহৌবা লূপ অসি নাগা, কুকি অনীগী অকনবা কাঙলূপকী ঈরাং মনুংদা হায়বদি কুমজা ১৯৯২ অদুৱাইদগী লিংখৎপা হৌরকখি। হৌজিক ফাওবসিগী ওইনা নোর্থ ইষ্টতা কুকিগী লালহৌবা লূপ্না মশীং খ্বাইদগী য়াম্না হেন্না লৈ। তশেংনা হায়রবদি নাগা কুকিগী লান অসি থোক্লমদ্রবদি কুকি লালহৌবা লূপ অসুক য়াম্না লৈরমদবা য়াই। কুকিশিংনা খ্বাইদগী শাওবসি মণিপুরদা মখোয় অসি শৈদাংলবা ফোরেন্নরনি হায়বা ৱাহৈ অসিনি। ৱাহৈ অসি নাগা কুকি অনীগী ঈরাংদা নাগানা ইহান হান্না শীজিন্নবা হৌখিবনি। কুকিশিংনা লানফমদুদা মায়থীবা নংলবা তুংদা ম্যান্মারগী কুকিশিংগা অমত্তা ওইদুনা মিজোরামদা পুল্লপ্না পুনশিল্লগা অচৌবা মীজোরাম অমা শেমগে নৎত্রগা ইন্দিয়া মনুংদা কুকিলেন্দ অমখক শেমগে থৌরাং তৌরকপনি। করিগুম্বা মসিনা মায় পাকপা ঙম্বা থোক্লবদি মালেমগী লৈমায়দা কুকিশিংগী ওইবা কুকিলেন্দ অমা থম্বা ঙম্লগনি হায়বসিদা চাউথোক্না লৈ। অদুম্না তৌরবদি মালেমগী মীয়াম্না কুকিশিংবু ফোরেন্নরনি, শৈদাংলবনি হায়না ঙাঙনরিবা তাবদা ৱারবা ৱাহৈ অসি অমুক হন্না তাবা ফংলরোই হায়না খন্নদুনা লৈ। তৌবদি মখোয় মশামক্না মখোয়গী হৌরকফম অসি মালেসিয়া অমদি জিয়ুশিংগী মনুং চনবা ত্রাইব অমনি হায়না হায়জবদি লৈখিবনি।

কুকি লালহৌবশিং অসিগী তোঙানবা মচৎ অমা হায়বা তারবদি মখোয়না করিগুম্বদা ইন্দিয়ন ফোর্সেস অমত্তদা এম্বুশ তৌশিনবা, নোংমৈ কাপশিনবা অমুক্তা ফাওবা তৌদবা অসিনি। খূৎলায় পায়নবা মশেল ওইরবসু খুজিল খুনাম্থোক্তা শোয়দুনা সেন্ত্রেল ফোর্সকা করিগুম্বদা খূৎলায় শীজিন্নদুনা খূৎ থানবা হায়বদু অমুক্তা ফাওবদা থোকখিদ্রি। খূৎ থানবদি লায়রদনা মশেন-মবাইগুম য়াম্না নুংশিননা অৱা-অনা কয়াদা মতেং পাংনদুনা অরৈ-লৈত তাথোক-তাশিন তৌনদুনা নুংশিনা লৈমিন্নে। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি হৌজিক হৌজিক নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংদা লান্দারক্লিবা অসিদা ইন্দিয়ান পেরামিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা অসাম রাইফলসনা য়াম্না চাউনা মতেং পাংশিন্দুনা মখোয়গী মীচংদা লেপ্লিবা অসিনি। অসাম রাইফলসনা ফোংনা কুকি মিলিটেন্টশিংদা মতেং পাংলিবা অসিগী মরম চাউনা লৈ। মদুদি কুমজা ১৯৯২দা থোকখিবা নাগা কুকি অনীগী কাঙলূপকী ঈরাংদা অসাম রাইফলসনা নাগাগী খূত্তগী কুকি কয়াগী মথ্বায় কনবীখিবা লৈখিবা অদুগী খুল্লং লমন শিংবা ওইনা অসাম রাইফলসনা মণুিরদগী লালহৌবশিং তকথোকখিনবা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংদা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়াম্না চাউনা মতেং পাংশিনখি। অসুম্না মনুংদা অচেৎপা থাজনবা লৈনবদগী মখোয় মশেল উনবদা নোংমৈ কাপ্নবা, ফাবা পুনবগী ৱাখল খন্নদে, হেন্নদুম নুংশিনৈ। কয়ামুক য়াম্না নুংশিনবগে হায়রবদা নাগা অমদি মীতৈ লালহৌবশিংবু মূথৎনবা হোৎনবদা পূন্না শরুক য়ামিন্নখিবা অদুনি। অসুম্না মনুংদা অচেৎপা থাজনবা থম্নবদগী নেসনল হায়ৱে অনী অসিগী লম্বীগী নাকল অনীমক খুন্দাশিনবা, খুল মচা মচাশিং কুকিগী গ্রুপ্তা তিলহনবা, খুল অমগা খুল অমগা শম্নবা লমবীসু শেমহৌখি। মখা তারকপদা অসাম রাইফলসনা কুকি মিলিটেন্টশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা নাগা অমসুং মীতৈ লালহৌবশিংগী কেম্প লৈফম মফমশিং খঙদোক্লনবা থবক পায়খৎপা হৌরকখি। থাকসি য়ৌরকপদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা অসাম রাইফলসকী মমাঙ মক্তদা ফোংনা রোদ টেক্স, গুদস টেক্স, গোদাউন টেক্স লৌবা হৌরকখি। অসুম্না মতম খরা নার্কো কুকি মিলিটেন্ট অমদি অসাম রাইফলস অনীগী মরক্তা য়ানরম্বদু মপান থোক্না য়ানরসি হায়বগী মওংদা এগ্রীমেন্ট অমা কুমজা ২০০৫দা খূৎয়েক পীনখি। মতম খরগী মতুংদা হায়বদি কুমজা ২০০৮দা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাকসু য়াওশিল্লত্তুনা ‘সূ’ চৎনবগী এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনখি। অসুম্না নাকল অহুমগী ওইবা সূ চৎনবগী এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদগীদি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং অসাম রাইফলস জৱান অনীগী মরীসি কয়ামুক য়াম্না নক্লনা তিন্নরবগে হায়বদা তশেংনা মশেল মবাই অনীগী মরী অদুমক্লি। অসুম্না অচেৎপা মরী লৈনবা হৌখিবদগীদি ম্যান্মার কুকিশিং মরী মরী শম্নদুনা মণিপুর মনুংদা মনীং তম্না চঙলকপদা বোর্দর ঙাক্লিবা অসাম রাইফলসনা অথিংবা অমত্তা পীখিদে। অসুম্না অথিংবা য়াওদনা চঙলকপদা ম্যান্মারদা লমহেন তুহেনবা থবক কয়ামরুম তৌরুবদগী মরৈবাক্তা লৈবা য়াদ্রবা মীওইশিংগী মরক্তা এম পি ওইরম্বা মীওই ফাওবা য়াওরম্মী। সূ এগ্রীমেন্ট চৎনবা হৌখিবদগী কুকিনিবু হায়রবদি মণিপুরদা চঙলকপদা অথিংবা থমদ্রবনা ইলেক্সনগী মতমদা সেন্টরদা গভর্ণমেন্ট পায়রি-পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়বু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা ভোট কাননবা হোৎনৈ। মসিগী মতিক চারবা খুদমদি হৌজিক হৌজিকমক মণিপুরদা অমসুং সেন্টরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসি লিংনবা হোৎনবদা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মতেং লৌখি মদুনা মরম ওইরগা মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লিংবা ঙমখিবনি অমসুং সেন্টরদা বি জে পিগী এম পি খরা মশীং হেনগৎহনবা ঙমখিবনি হায়না কে এন ওগী চীফনি হায়জবা এস এস হাওকিপ কৌবা মীওই অমনা সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। তৌবগীদি মণিপুরদা চহী কয়াগী মমাঙদগী অসাম রাইফলস লৈরকপনা মরম ওইরগা কুকি মিলিটেন্টশিংগা অচেৎপা মরী থম্নরত্তুনা থৌদোক ৱাথোক্তা চেবাউ পীনদুনা তিন্নরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। মসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী সিক্যুরিটিদা কোমথোরকপদা নত্তনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী য়াথং খোঙ্গাওনরকপা মশানা তাবনি। মীয়াম্নসু মতম অসুক কুইনা অসাম রাইফলস মণিপুরদা শুরু-শুরু নৈশিন্দুনা লৈরিবগী মরমদি কুকি মিলিটেন্টশিংনা পোপি থাবদা অমদি দ্রগ করবার তৌবদা মখোয়সু য়াওরমগনি চিংনবা মশানা তাবনি। তৌবগীদি পূম্নমকশিং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী হোম মিনিষ্ট্রিগী অশোয়বা থৌশিলনি হায়বসু য়াই। হায়বদি ষ্টেট অমদা অকক্লবা পেরামিলিটরি ফোর্স (অসাম রাইফলস) না চহী লিশাং শিৎনা হোংদোক হোংজিন, শিল্লোন শিঞ্জিন তৌদনা থম্লুবদগী থোক্লকপনি হায়না লৌবা য়াই। কুইনা লৈমিন্নরক্লবদি হৌদোংদসু নুংশি হায়নবা লৈবনা কুইনা লোয়ন-তিন্নরক্লবদি অরোনবা অমদি অফোংবা মরী লৈনরকপা মশানা তাবনি। মরী মতা থোক্লবদি অচুম-চুমদা তোপ্না থম্লগা অঙম্বা মতেং পাংনবা মশানা তাবনি। মসিগী খুদমদি কুকি মিলিটেন্টশিং অসিনা মীতৈশিংদা লান্দারিবসি কুকিলেন্দ ষ্টেট অমা শেম্নবা মীতৈশিংবু মশাগী লমদগী তাম্থোক্লবা হোৎনবনি। মরাল লৈতবা মীতৈশিংনি হায়বসি অসাম রাইফলসনা খঙনা খঙনা কুকি মিলিটেন্টশিংদা লান পাংশিন্দুনা লৈরিবা অসিনা অদুম তাক্লে। অসুম্না অসাম রাইফলসনা নাকল নাম্মদা তোংশিনবগী থৌওং অসি লৈবাক মচা তাদবা, সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক অনীমকপু থৌওই উশিত্তবনি। মসিগুম্বা অসাম রাইফলসকী য়োংলৈ মেল্লে নাইবগী থৌওং চখদুনা লৈবসিনা মরম ওইরগা মৈ হৌব’মখৈ শাওরবা মণিপুর মীয়াম্না গো বেক অসাম রাইফলস হায়না মালেমগী মীয়াম তানবা অকনবা খোল্লাউ লাউরক্লি। অসাম রাইফলসকী থৌওং অসিনা ইন্দিয়াগী পেরামিলিটরি ফোর্সেস খুদিং থাজনদ্রে, ঈজৎ লৈখা তারে, মীয়াম্না মশক উনীংবা ফাওনদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মীতৈশিং হায়ফম তৌফম খঙদা ককঙাওনদুনা লৈনরে মদুদি ‘অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং অসিবু মায়োক্লগদ্রা? ভুট শান্নরিবা অসাম রাইফলসপু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনগদ্রা? সোসল মীদিয়াশিংদা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং অসিনা লান্না পাউ শন্দোরক্লিবা অসিবু শেংদোক্লবা হোৎনগদ্রা?’’ মীতৈ ঐখোয়না তৌগদবসি করিনো?’ হায়বসিদনি। ●

# লোসিবু মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামদা চপ মান্ননা চৎনরিব্রা?

- ওইনাম কুঞ্জকেশোর -

মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামদা চৎনহল্লিবা লো অসিবু করিনো? চীংদনা অমরা? তম্পাক্তা চৎনরিবা কাঙলোন্না অমরা? কাঙলোনসিবু চৎনহল্লিবা মীওইশিংনা মসিগী মরম কূপ্না খঙলমগনি। মে ৩দগী থোকখিবা ঈরাংদগী মীয়াম্না খঙলে। মরী লৈনবশিংনা তৌরিবা থবক খুত্তৌসিনা তাক্লে। কুকিশিংনা তারিবা চীংগী লমদনা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লোন্না পীখ্রবরা? পীদে হায়রগদি নাকল অনীগী মরক্তা থোক্লিবা কাঙলূপকী লানদা চীং অমসুং তমদা মান্নদবা লো থল্লিবসি করিগীনো? মণিপুর লৈঙাকলোইশিংনদি তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈতে হায়রি। লৈত্রগা করিগী চীংগী মীওইশিংনা তৌনীংবা তৌবদা করিগুম্বা অথিংবা অমত্তা পীদনা লৈহল্লিবা করিগীনো? মখোয়গী লমদা নহাশিংনা মখূৎতা নোংমৈ পায়দুনা তম্পাক্কী লমদা ঙাইহাক লৈতনা অৱাবা পীরিবসি করিগীনো? মসি মণিপুর লৈঙাক্না করিমত্তা উদ্রবরা? খঙদ্রবরা? মখোয়না পায়দুনা কোইচৎ চৎতুনা পুরিবা অফবা মখলগী নোংমৈ ময়ামশিংদো কনানা অয়াবা পীরিবনো? মখোয়গী খূৎলায়শিংদু মণিপুরগী লোনা ফাজিনবা ঙম্বরা?

থোক্লিবা ঈরাংসিবু লাকশিন্নবা হায়দুনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সিফাই ময়াম অমা, লিশীং ৮০ লোম লৌরুই। সিফাইশিংনা ঈরাংসিবু নেমথহনবদি ঙমদে। করিগীনো ঈরাংসি থা ৫ হেল্লক্লবা ফাওবদা লোইশিনবা ঙমদ্রিবসিবু? মখোয়না ঈরাংসিবু লোইশিনগে হায়রগদি মণিপুরগী লৈজরিবা সিফাই খরসিনা লোইশিবা ঙমগনি খল্লি। লাক্লিবা সিফাইশিংদুনা চীংগী মীওইশিংদা তোংশিন্দুনা লৈখ্রে। মখোয়না তৌনীংবা তৌদুনা লৈরি। মসিদা লোসিবু চলাইরিবা মণিপুরগী মীওইনা খঙশিন্নদনা লান য়েংদুনা লৈরি। কুকিশিংনা মীতৈগী য়ূম-কৈ, লন-থুম মাঙহন-তাকহনবদা অমসুং মৈ থাদুনা মীয়াম তাল্লকপদা য়েংদুনা লৈরিবা করিগীনো? থৌদোক্তুবু থিংনবা চৎলুবা তম্পাক্কী ইমা ইবেল ময়াম অমদনা সিফাইশিংদুনা চঙবা য়ারোই চঙলক্কনু হায়দুনা মখল কয়াগী অথিংবা পীরি। ময়ূম মৈ থাখিবদু য়েংজগে হায়বদুসু অয়াবা পীদে। কুকি নহাশিংনা তৌনীংবা তৌবা থৌদোক কয়াশিংদনা অথিংবা অমত্তা পীদে। মসিবু করিগীনো? মসিদা চৎনরিবা লোসিবু করম্বা লোনো? মণিপুরসিবু লো অনী থোকপা য়ারোই হায়রিবসি কদাইদনো?

নাকল অমত্তগী ওইবা লোসিনা মীতৈ নুপী কয়া, নহা ওইরিবা নুপা কয়ানা লৈজবা খূৎলায় পায়দুনা মরৈকায় লম্মু ঙাক্লি। চীংদা লৈবশিংনা অফবা খূৎলায় পায়দুনা লেপ্পা লৈতনা মীতৈদা ওন্দুনা লান তৌরি। পূম্নমকশিংদু মীতৈশিংনা খাঙদুনা লৈখিবনি। অসিগুম্বা কুকি অমসুং মীতৈশিংগী লানসিদা মীওই কয়া লৈখিদ্রে। মরমসিদগী খাঙবা ঙম্নদনা মীতৈ নুপী কয়ানা লম্বী লমজাওদা থোক্তুনা লান লোইশিল্লু হায়দুনা লাউজবসু মরী লৈনবশিংনা করিমত্তা তাদ্রি। নাকল অনীমক্তা মীওই কয়া অমা শিখ্রে। কয়া অমনা লৈফম চাফম খঙদনা উখোং-ৱাখোংদা তাংজফম লৌদুনা লৈনরি। লাইরিক লাইশু তমজগদবা অঙাং কয়া অমা লাইরিক তম্ফম খঙদনা ককঙাওনদুনা লৈরি। অসিগুম্বা লানসিদা লোবু চলাইবশিং মিনিষ্টর, এম এল এ, সিফাইশিংনা করিসু খঙদনা নাকল অমদা তোংদুনা ঙসি ফাওবা লৈরি। মখোয়গীদি ময়ূম মকৈ, লন-থুম ময়াম মাঙদে। অমরোমদা ময়ূম মকৈ, লন-থুম কয়া অমা মাঙ তাকখিবশিংদু লোনা অকনবা মীৎয়েং চঙদ্রি। করম্বা হিংজবা য়াবা মতেং পীখ্রবগে? নাকল অনীগী লান্দা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদুগী মফমদা করম্বা ইকায়খুম্নবা উৎপীখ্রবগে?

অসিগুম্বা কাঙলূপকী লানসিদা লৈঙাকলোইশিংনা তূমিন্না কয়াম কুইনা য়েংদুনা লৈখিগদগে? লো হায়বসি চপ মান্ননা য়েংবা ঙমগদবনি। কাঙলূপ অনী খৎনরবদি অমদনা খাল্লগা, অমদনা খামদনা ফ্রী থাদুনা তৌনীংবা তৌদুনা থল্লীবসি করিগীনো? মসিদি ঐখোয়না হায়বা নত্তে, চীংদা কুকিশিংনা তৌরিবা মওং মতৌদুদা উনরবা ঙাক্তনি। চীংদা লো লৈতে, তম্পাক্তনা লো লৈ। মসি করিনো? মণিপুর মচেৎ তাবা য়াদে হায়দুনা মণিপুরদা লৈরিবা সী এস ও ময়াম, মৈরা পায়বী ময়াম্না লম্বী লমজাওদা লাউরিবসি লৈঙাক্না তাবীবরা? ঙসি ফাওবা তাদ্রি। অমরোমদা লৈকায় ঙাক্লিবা খুঞ্জা খরা ফাজিনখি। করিগী ফারিবনো? মখোয়না খুল ঙাক্লিবদো মীচম মীয়ামগীনি। মখোয়না ঙাক্লমদ্রবদি মীচম মীয়াম করি ওইরমগনি। ঙসি মণিপুরগী সিফাইশিং অমসুং মপান্দগী লাকখিবা সিফাইশিংদুনা ঙাকপীরম্লবদি নহা কয়া করিগীদমক্তা খুল ঙাক্লবা অহিং নুংথিল নুমিদাং লৈরমগদ্রা? থৱায় কয়া থারমগদ্রা? পূম্নমকসি লোবু পায়দুনা শান্নরিবা মীওইশিংগী মরান নত্তবরা? মখোয়না মান্নবা মীৎয়েং য়েংবীদুনা লো চৎহল্লবদি চীংগী কুকিনসু ঐখোয় রোমদা লান লেপ্তুনা তৌরমগদ্রা?

মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইবা য়ারোই হায়দুনা লম্বী লমজাওদা লাউজবদনা লো লৈরি হায়দুনা মখল কয়াগী অথিংবা পীরিবসি চুল্লিবরা? অচুম্বা খোল্লাও লাউজবদুদনা লো লৈরি হায়দুনা মখল কয়াগী অৱাবা পীরি। নোংমৈ কয়া কাপ্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা ইমা ইবেল কয়াদা অশি অনা, অশোক অপন কয়াগী চৈথেং লেপ্পা লৈতনা পীরি। মতাংসিদনি মীচম মীয়াম ঐখোয়না হংজরিবসি মণিপুরসিবু মচেৎ তানা খায়দোকপা য়ারোই হায়রগা লোনা অনী থোক্না চৎনহল্লিবা করিগীনো?

পীকখ্রবা মণিপুরসিদা লৈরিবা এন ঐচ অনীনি। লম্বী অনীসিদা মীয়াম্না মনীং তম্না চৎচবা ঙমদ্রি। চীংদা লৈবা ইচিল ইনাওশিংনা তৌনীংবা তৌদুনা নুমিৎ ১০/২০নি থিংনীংলে থিংই, লৈঙাক্না তৌবা থবক্তু খন্দনা অদুম মখোয়গী অপাম্বদু তৌদুনা লৈরি। মসিগুম্বা লোসিবু অতোপ্পা ষ্টেট অমদা তৌনবা জাৎলা? মণিপুরসি লো অমা লৈরি হায়বসি খঙদে। খঙহন্নবসু মরী লৈনবশিংনা তৌদে। করম্বা মতমদা ঈরাংসিবু নেমথনবা কনানা হোৎনগনি। মরী লৈনবশিংনা নাকল অনীগী ঈরাংসিবু লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু। মরম চাদনা থোক্লিবা কুকি অমসুং মীতৈগী লানসি লোইশিনবীয়ু। লোসি নাকল অনীমক্তা চৎনহন্দুনা ঐখোয় অমত্তনি হায়বদু উৎলগা মীয়াম্বু ঈংনা অমুক্তং লৈহনবীয়ু। ইমা ইবেল ময়াম্না লাউজরিবা তাবীয়ু। তাবীদ্রবদি নোংমা লাঞ্জাউ থোক্লবা য়ারি, নৈনবীয়ু। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## শান্তিগী পাউজেল

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীওইবা খুদিংমক্না শান্তি পাম্মী। মহৌশা লাইরেম্বীগী খূৎশেম্না নৎত্রগা মীওইবনা মশা মশাগী তৌজরুবা কর্ম্মগী ফলনা পুন্সিদা নৎত্রগা সমাজদা তত্তনা শান্তি মাঙহল্লি। হৌজিক্কী মতমগী চাওখৎ লমজেলদা মাঙদা থাবা তান্নরিবা মতম অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ, কর্ফিয়ু তৌদুনা তৌগদৌবা ইথৌ কয়া পাঙথোকপা য়াহন্দনা অরেম্বদা মতম হৌখিদুনা অয়েৎপা অপনবা অকায়বা পীবা সমাজ ওইহনবা তোক্লসি। মাঙখিবা মতম অমুক হল্লক্লরোই। টাইম মেনেজমেন্টসু খরা তৌসি। মে ৩দগী হৌরকখিবা চুড়াচান্দপুরগী কুকি অমসুং মীতৈ অনীগী এথনিক ভাইওলেন্স অসি মণিপুর শিনবা থুংনা মথং মথং কুইনা থা মরি মঙা ঈরাং থোকপা হায়বসি কুইমল্লে, শাংথমল্লি। অদুবু কুকি লালহৌবগী সৈমিন্থাং গাংতে হায়বদু এন আই এনা ফারে, দেল্লীদা পুখ্রে অমসুং স্কুল তল্লিবা অঙাং অনীবু তমথীনা হাৎখিবদা চেন্নবা কুকি তরুক অমসু সী বি আইনা ফাদুনা দেল্লীদা পুখ্রে তাবদা নুংঙাই। ঈরাং খরদি নেমথরগনি, শান্তি লাক্লগনি। ঈরাং খুদিংমক রাজনিতিগী ইথিল য়াওবা ঙাক্তনি। পোলিটিকেল পার্টি অমগী মনুংদা লৈবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং ৱাখল্লোন অমত্তং ওইনা পূন্না চৎমিন্নবা ওইবীয়ু। মীয়াম্না য়ারদুনা ভোট ফংলদুনা ইলেক্টেদ পর্সনশিংবু মীয়াম্না লাইগুম্না খন্দুনা ইকায়খুম্নজরিবনি। অৱা অনাগী, মীশি মীনাগী তেংথাখোলনা থল্লবদি তুংদা লাক্কদৌরিবা পুন্সি করম থোক্লগনি।

অমম্বা লম্বীদা, উবা ফংদবা, লাম্বা ফংদবা পুন্সি মহিং অমদা লৈহৌরগনি। দিপার্টমেন্ট খুদিংদা পোষ্ট ক্রিএসন তৌবীদুনা মতিক চানা মহৈ মশীন হৈজরবা অঙাংশিংবু থবক মচা অমমমদং ফংহনবীয়ু। অফাওবা শানীংবগা, ভাব তাদবগা মশীং য়াম্লবা খুন্নাই অমা হায়বসিদি বন্দ, ব্লোকেদ, কর্ফিয়ু নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী ঈরাং শাগৎকনি। মরম অদুনা য়াম্না লায়না মীয়াম্বু কন্ত্রোল তৌনবগীদমক লৈঙাক্কী থবক মচা অমমমদং ওইরবসু অয়াম্বনা ফংহনবীরবদি কন্ত্রোল তৌবা ঙম্নবগী অরাইবা পাম্বৈনি। সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী ইন্টরনেসনল পোলিসিগী মতুংইন্না লুক ইষ্ট পোলিসি হায়দুনা বর্ম্মাদগী মণিপুর ফাওনা চৎননবা শেম্লক্লিবা হায়ৱে অসিনা মণিপুরদা অচৌবা মীৎয়েং থমদুনা মোরে অমসুং জিরিবাম অনী অসি transaction point ওইগদৌরি। মীতৈ মচা ঐখোয় হৌজিক পংশিন্দুনা লৈফম থোক্তে, তুংদা লাক্কদৌরিবা খুদোংচাবা কয়াশিং লৌহৌবা ঙম্নবা হৌজিক্তগী হৌনা নীংথিনা খন্থদুনা শেম শারসি। ইশাগী হৈজবা শিনফমদা কন্না হোৎনদুনা ইকনমিগী ফীভম ফগৎনবা কন্না হোৎনরসি। পর কেপিতা ইনকম ৱাংখৎহন্দুনা ষ্টেটকী ইনকম ৱাংখৎহনসি। ইকনমি ফগৎহন্দুনা ষ্টেটকী ইনকম ৱাংখৎহনসি। ইকনমি ফগৎহন্দুনা খুন্নাইদা অনৌবা অওনবা অমা পুরক্লবা মীগী মপান তাংদনবা হোৎনরসি। ঐখোয়না হেক ঙল্লিবমখৈ আইন্না য়াদবা থবক তৌবা তোকসি। লৈঙাক হায়বসিদি চুমগেরা লানগেরা মখোয়না ঙম্নবা শোয়দনা তৌরক্কনি। মীয়ামগী ফনবা তত্তনা খল্লিবনি। ঐখোয়সু ঈংথরসি। টেররিষ্টকী থবক হায়বসিদি মালেম পূম্বনা য়ানদে, ফোরেন্নরশিংনা মীগী লমদম অমদা লৈরগা মনিং তম্না লৈনবা হোৎনবা লমদম অদুগী অমাঙ অতা, অকায় অতোই থোকহনবা হায়বসি মালেমগী ওইনা চৎনবা য়াদ্রবা আইন অমনি। অদুগা অপীকপা ষ্টেট অমদা মচেৎ তানা থুগাইরগা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন ফংবা ওইথোক্তবা ৱাফমনি। য়ারোইদবা হীরম অহুম অসিনা কুকিশিংগী দিমান্দ ফংবা ঙল্লোই। য়াম্না লুরিবা অনৌবা ৱাফম অমদি লম্বীদা ইতোমতা নাইতোম চৎপা মতমদা কুকিশিংগী গাড়ী লাক্তুনা ফারগনি, গাড়ীদা হাপ্লগা পুখিবা য়াই হায়বগী মীপাইবা অমা ফাওহল্লে। লোয়ননা লম্বীদা লেপ্তুনা দ্যুটি তৌরিবনি হায়দুনা লেপ্লিবা ইন্দিয়ন আর্মিশিং অসিবু নুপী অঙাংশিংনা উবদা ওন্থোক্লা কিবা, হৈনদবা পোক্লে অমসুং আর্ম ফোর্সেস স্পেসল পাৱর এক্ট (অফস্পা) অমুক থম্বীগদৌরিব্রা হায়না মীপাইবা পোক্লরে। মীয়ামগী থৌগল মনীং তম্না তৌবা ফংজগে হায়বগীদমক ভোট লেপ্নরিবনি। মীওইবগী থৌগল তৌবা ফংজবা হায়বসিগা ঈশ্বরগী থৌগল তৌবগা চপ মান্নে। মীয়ামগী ইহুল খঙনা লৈঙাক্লসু থবক তৌবীয়ু। হৌজিক্কী মতম অসিদি য়াম্না চাওখৎলে, ষণ লাবা অনী ৱাইনদ্রে, হুইগা হৌদোংগা উনবদা চিক্লদ্রে, তাইবঙ মীওইবা মশেল য়েংশিন্নবা, খৎনবা, হাৎতোক্লবা মতম ওইদ্রে। ঐখোয় শান্তি লৈনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা হোৎনরসি।

**অদোমগী - ৱাহেংবম ওংবী পদ্মাবতি, কোন্থা অহল্লুপ অৱাং লৈকায়**

## কুকিনা লান্দারকপনি, মীতৈনা খুল ঙাকপনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মে ৩, ২০২৩ অসি মণিপুরগীদা নত্তনা মালেমদা চোইনা খুন্দাখ্রিবা মীতৈ খুদিংমক্না কাউবা লৈররোইদবা নুমিৎ ওইহৌরগনি। নুমিৎ অসিদগী হৌদুনা চুড়াচান্দপুরদা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দারকখি। মথং মথং মীতৈ তাবা চীংগা নক্লবা খুলশিংদা, মণিপুরগী কাংপোকপী অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মীতৈ খুলশিংদা লেপ্পা লৈতনা লান্দারকখিবনি। মীতৈশিংনা ত্রাইব ওইনা ওইনা কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ডদা চলহৌদবনা ঙসি ফাওবা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ অমফাওবা ফংদনা লৈরক্লি। খূৎলায় পায়জদবা মীতৈশিংদা কুকিশিংনা নোংমৈ কাপ্তুনা, য়ূম মৈ থাদুনা অমদি লাইশঙ কয়া থুগাইদুনা পাম্বৈ লৈত্রবা মীতৈশিংনা ইয়ুম লৈবাক্তা লাঞ্জেল্লকপা অমদি শৈদাংলকপা ওইনা থা মঙা হেল্লক্লবা ফাওবা ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিনজবা ঙমদনা লৈরি। ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সকী মশীং য়াম্লবা ফোর্সশিংনা করিসু তৌবা ঙমদনা লৈরি। লানসি মীতৈগী মথক্তা তৌরকপনা পাম্বৈ লৈত্রসু লৈতনা মীতৈচাশিংনা থেংনরি। খুল ঙাকপা মীওই কয়া পুন্সি কৎখ্রে, ঙসিসু ইফুরুপচাশিং কন্নবা থৌনা ফরবা নহারোল কয়ানা থৱায় পাম্মুদনা হোৎনরি।

কুকিশিংগী লানদা লালহৌ য়াম্না শাংনা মনুং মপান খোন্না শেম শারগা হৌরকখিবনি হায়বা মখোয়গী থৌদৌদগী খঙবা ঙম্মী। লান মশক তাকপা ওইনা লৈঙাক্তা য়াওরিবা কুকি এম এল এ ১০ (মিনিষ্টর ২ য়াওনা) না খূৎয়েক পীদুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ তৌরকখি। দিমান্দ অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তানফম থোকপনি। মদুনা ওইরম্বা তাই ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা লাক্লম্লগা তন্না হনখিদুনা নুমিৎ ১০নিগী মতুংদা অমুক থুনা লাক্কনি হায়রম্লগা ঙসি ফাওবা উচি মখুন্দা চংদুনা লৈরিবসি। অঙকপনি। মতমদুদা চীফ মিনিষ্টর বিরেন্না দেল্লীদা চৎতুনা ৱাতানরুরবা মতুংদগীদি তূমিন্না লৈখি। মীয়াম্না ঙাঙনখি করিগীনো সী এম বিরেননা মাগী মথৌ পাঙথোকখিদবসি। সী এমগী শক্তিবু নাথৈহন্দুনা ওভর ওল কম্মান্দর ফাওবা হাপচিল্লকখি। মসি পূম্নমকসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙমখি- কুকিশিংগী দিমান্দসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না হোয় মায় হায়দবা মখৈ তূমিন্না লৈরি। মীতৈশিংদা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপশিল্লিবসিদা ষ্টেট লৈঙাক্না করিসু তৌবা ঙল্লোই মরমদি রাজনিতিদা য়েংলুরবসু তোইরে ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌজালদা লৈঙাক পুহনবখক্তা ঙাইরে। লৈঙাক অমা লৈবগী মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লন থুম ঙাকপা ঙমদবা হায়বদু ওইরি। ইম্ফাল অমদি ইম্ফালগা নক্লবা খুলশিং চীংদগী খরা লাপ্পা মফমখক্তনি নোংমৈ মরূ য়ৌরকত্রিবসি। লৈঙাক্না কন্না হোৎনদুনা ঈং তপ্পা হঞ্জিন্নবা ঙম্বমখৈ হোৎনরি হায়ববুদি মীপূম খুদিংনা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদগী তারি।

মতাংসিদা তাবদি ৱারবা খঙবা ঙমদ্রিবা ৱাফমদি অঙম্বশিংনা ঙাঙলিবা, পাউচেদা ইনরক্লিবা নাকল অনীনা হায়বদি মীতৈ কুকি অনীনা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুবিরকউ, ঈং-তপ্পা হঞ্জিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়বসিনি। কুকিনা লান্দারকপনি মীতৈনা খুল ঙাকপনি। করিগী করম্না ৱারী শানফম থোকপগে হংনীংঙাইনি। কুকিশিংনা মীতৈদা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্তুনা মখোয়গী দিমান্দ ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তানফম থোকই।

ঙসি ঙরাং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সী এম বিরেননা লাউথোকপীখিবা খূৎলায়শিং নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়বিখিবদু মীয়ামদগী হংনরক্লিবদি খুল ঙাকচবা ঙম্নবা খূৎলায়শিংদু শীজিন্নরিবনি। কুকিগী লানদি লোইদনা করম্না খূৎলায় পীখৎলক্কদৌরিবনো হায়বসিনি। মীতৈ মচাশিং কুকিগী মখূত্তা তুল্লো হায়রিবরা হংনীংঙাইনি। অমসু অমসু ফনবা হায়রগদি লৈঙাক্না ঙসি নোংমা নীনিগী মনুংদা কুকি লমহেনবা পূম্নমক তকখায়দুনা অমদি তকথোকখিদুনা মীতৈশিং ঈং চিক্না লৈহনবীয়ু হায়বসিনা লৈবাক মীয়ামগী খোল্লাওনি। সী এমগী থৌজাল মীয়াম্না ঙাইনরি।

**অদোমগী - অঙোমচা চিংশুবম লাইচা**
রিটাইয়র্দ হেদ মাষ্টর, সোসল এক্টিভিষ্ট, লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৫

১) **“বামোন ঈবেম্মা অঙ্গংবী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
২) **“পলহৌরবা কাউশিং”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবগে?
৩) **“ইন্দিরা:ইন্দিরা নেহরু গান্ধীগী পুন্সি ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?
৪) **“ঈথক মচাশিংগী ৱাহং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
৫) **ইদোম য়ুমদোমপোকসিদা**
**মুশি-মুশিরবা**
**আশাগী উচান মৈরাসে পায়রগা**
**ঙাইরিবনি ৱানা নঙবু হল্লকপা।**
**নঙনা থুংলরবদি**
**লৈতেংলনি ঐসু য়েন্নিংথাগী ফজবনা।**
শৈরেং অসি মণিপুরগী মপান লমগী শক্লাইবা অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।